**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-11-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** কাঞ্চিপুরদা লৈবা লংথাবাল কোনুংদা লৈরম্বা অসাম রাইফলসশিং ঙসিদগী হোংদোকখ্রে। কোনুং অসিদা মতম শাংনা অসাম রাইফলসনা লৈশিল্লম্বা অদু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা কন্না হোৎনবদগী অতোপ্পা মফমদা অসাম রাইফলসশিং অদুগী লৈফম নৌনা শেমগৎতুনা ঙসিদগী হোংদোকখিবনি।

রাজ্য অসিগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা অসাম রাইফলসশিং হোংদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রি-মফম অসিদগী অসাম রাইফলস হোংদোকখিনবা মনিপুরগী মীয়াম অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ফেকলতিশিং অমদি মহৈরোইশিং মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা দাবী অমা ঙসি ফংহনবা ঙম্বদা য়ামা নুংঙাই।

মহাকা হায়-ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবদা তঙাইফদনা মতম খরা চংখি। আই.জি.এ.আর. (সাউথ) মেজর জেনরেল-রাবরুপ সিংহনা মসিবু থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবা অমদি জৱানশিং মফম অসিদগী অথুবা মতমদা হোংদোকহনবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-মনিপুর য়ুনিভরসিতি কেম্পসকা থংননা লৈবা লম একর ১০ রোম অসাম রাইফলসনা থাদোকখ্রে। অদুবু, হৌজিক একর ১০ রোমদি অসাম রাইফলসকী ওইরি। নৌনা অসাম রাইফলসনা পীথোরক্লবা লম অসিদা পুৱারীগা শাগোন্নবা অরিবা মতমদা শারম্বা ফুলা-দলানশিং শেমজিন শাজিনবগী থবকশিং চথরগনি। মসিগীদমক আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমদি টুরিজম বিভাগ অনিনা লুপা কোতি ২০ চংনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলগনি। মসিদা মরী লৈনবা অখঙ অহৈশিংগসু মাংজোননা ৱা তান্নগনি।

মনিপুরগী পুৱারীগা শগোন্নরবা মফমশিং শেংনা থমবগী পান্দমদা রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিদা মায়কৈ কয়াদগী হ্রাউবা অমদি থাগৎপা ফোংদোকরি। ঙসি লংথাবাল কোনুংদা লৈরম্বা অসাম রাইফলস পোষ্ট হোংদোকখিবা অসিনা মীয়ামনা মফম অসি পুৱারীগা শগোন্নবা অমদি টুরিজমগী মফম অমা ওইরকবগী লম্না য়াৎলগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লংথাবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. করাম শ্যামনা হায়-কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয় অমসুং অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী মপুং ফানা মতেং পাংবীদুনা মনিপুরগী অরীবা কোনুং অসিদগী অসাম রাইফলসশিং হোংদোকখিবা অসি য়ামা থাগৎনিংঙাইনি। অসাম রাইফলস লৈরিঙৈদা মফম অসি য়ামা লু-নান্না লৈরম্বা অদুগুমা মফম অসিবু মতম চুপ্পদা তরু-তান্ননা থমবা হোৎনবদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা মতেং পাংবীনবা শ্রী শ্যামনা আপিল তৌখি।

লংথাবাল কোনুংদা লৈরম্বা অসাম রাইফলস পোষ্ট অসিনা মফম অসিদগী হোংদোকখ্রবা মতুংদা নৌনা মখোয়না লৈগদবা মফমশিং শেমগৎ শাগৎলিবা মফম অদুদা হোংজিনবা হৌনখ্রে। থৌরম অদুদা আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী মেজর জেনরেল-রবারুপ সিংহনা মহাক্কী ৱারোলদা অসাম রাইফলসকী কম্পানি অমা লৈবা চনগদবা মফমশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎপীবগীদমক মুখ্য মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী পুৱারীগা মরী লৈনবা অমদি শেংলবা মফমশিং অসাম রাইফলসনা মনিপুরগী মীয়ামদা শিন্নবা পাম্বগী ৱাফমসু ফোংদোকখি।

**কুলদ্বিপ (এল)ঃ** রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদ্বিপ সিংহ, নোংমগী খোঙচৎতা ঙসি জিরিবামদা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী কুলদ্বিপনা হায়-জিরিবামদা থোক্লিবা পামদবা

থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। জিরিবামদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা এন.আই.এদা কেস অহুম রেজিস্তার তৌরে অমদি কন্না থিজিনবগী থবক চত্থরি।

মহাকা মখা তানা হায়-জিরিবামগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমত্তা হৌজিক ফাওবা ফাবা লৈত্রি। অদুম্মকপু মখা তানা জিরিবামদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

**লৈমখোং (এল)ঃ** লৈমখোংদা লৈবা আর্মি কেম্পতা থবক শুবা চংখ্রগা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী জে.এ.সিনা শিনদুনা লৈমখোং আর্মি কেম্পকী লম্বী থিংবগী খোঙজং ঙসি হেন্না কনশিনখ্রে।

মনিপুরগী মায়কৈ কয়াদগী লাকপা য়াম্লবা নুপীশিংনা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা লান্মীগী বেরিকেটশিং নমখায়দুনা লৈমখোং আর্মি কেম্প তমা চংশিন্নবা হোৎনখি।

তুংদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম জে.এ.সিগী মীহুৎ খরা আর্মি কেম্পতা চংদুনা লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএল খরগা ৱারী শান্নখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা লাইশ্রম কমলবাবুব্ শিন্নবা ঙমগদবা মতম অমা পীননবা তকশিনখি। অদুমওইনমক, লান্মীগী মীহুৎশিং অদুনা কমলবাবু থিবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবীয়ু। মহাকপু মীয়ামদা শিন্নবা ঙমগনি হায়না মতম অমা পীবদি ঙমলোই হায়না ফোংদোরকখি হায়রি। হৌজিকসু মফম অদুদা খোহশাউনরবা নুপী মীয়ামনা লম্বী থিংদুনা মখা তানা খোঙজং চংশিল্লি।

**ফোক্স (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি-লালদু হোমা অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. কে. বালানবেনা অনিনা মনিপুরদা রাস্ত্রপতি সাসন থমগদবনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মনিপুরনা য়ানিংদবা

ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়-লুচিংবা অনি অসিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি কুকি-জোশিংনা ভারত, ম্যান্মার অমসুং বঙ্গলাদেসকী লমগী শরুকশিং লৌশিনদুনা চিন-কুক-জো নেসন্স ষ্টেট অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা অপুনবা ভারত অমদি মনিপুরগী শক্তমদা শিংনবা অমদি লৌতুনবা ৱাফমশিংনি হায়না লৌই। আইনগী ৱাংমদা রাজ্য অসিদা চংল্লকখিবা মীতোপ অমদি পোপী থাবা থিংনবা মনিপুর লৈঙাকা হোৎনবদা মিজোরাম সরকারনা নিংদোল পোম্ফম থোক্তে। মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি ম্যান্মারদগী নারোন্দা আইননা য়াদবা চংল্লকপশিংনা পোপী থাদুনা অমদি মদুদগী তাল্লকপা শেনফম অদুনা মনিপুরগী ইরাং অসি থোকহনবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি খঙনা খঙনা মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি রাজ্য অদুগী এম.পিনা হন্দক ফোংদোকখিবা ৱাফম অদ্ মনিপুর মীয়ামনা য়াবা ঙমলোই।

**সংঘথন(এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি শান্তি ওইনা ৱারোইশিন পুরকবা কেন্দ্র সরকারনা মতিক চাবা থবক পায়খৎত্রবদি সমস্যা অসি ভারত শিনবা থুংনা শন্দোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না রাস্ত্রিয়া সরবোপরি সংঘথনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট-সোহন গীরিনা ফোংদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী প্রেস ক্লব ওফ ইন্দিয়াদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী গীরিনা হায়-মনিপুরদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা নোংম নোংমগী হিংশাগী থৌওংশিং চখ্খবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মখোয়গী থবকসিদা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিং চাইনা, পাকিস্তান, বঙ্গলাদেস, ম্যান্মারনচিংবদা লৈবা মীওইশিংগা লৌতুনবগী থৌওং উবা ফংলে। মরম অদুনা সরকারনা অথুবা মতমদা মতিক চাবা থবক লৌখৎতুনা এন্টি নেসনেল ওইবা মখোয়গী থৌওংশিং অসি চৎথহন্দনবা হোৎনবীগদবনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা মিদ ডে মিল ৱাকর-য়ুরেন্সম রানি য়াওনা মীওই তরুক তমথিনা হাৎখিববু ওল মনিপুর মিদ ডে মিল ৱাকর য়ুনিয়ননা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**কেম্প (এল)ঃ** লাইনিংথৌ অমুদোন দিবলপমেন্ট সেক্সন ওফ য়ুথ অমদি মৈরা লুপকা খুৎশমদুনা অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-ইরোইশেন্বা অমসুং আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির-উরিপোকনা ঙসি উরিপোক সিনাম লৈকাইদা আউটরিটচ হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই কয়া লায়েংখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মোরেগী ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদগী নহান য়ু.এন.এল.এফ (কে) গী মীওই অনি ফারে। মখোয়না ঙমখৈ লান্না মনিপুরোমদা চংল্লকপদা ফাখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী ওল সোমতাল ভিলেজতা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা উ চারা ৫০০ রোম থাখি।

**দেদ (এল)ঃ** সাহিত্য একাডমীক এৱার্দি অমসুং মনিপুর ষ্টেট এৱার্ড ফোর লিটরেচর ফংখ্রবা শকাইরবা ৱারীমচা ইবা-মাইবম নবাকিশ্বর সিংহ, ঙরাং মশাগী অনাবা অমদগী মহাক্কী পোকফম হিয়াংলম ময়াই লৈকাইদা লৈখিদ্রে।

মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা ৱারী মচাগী লাইরিক তরুক, শৈরেং লাইরিক অমা, নৈনা ৱারেংগী লাইরিক অনি, রেদিও লীলাশিংগী পুনশিনবা লাইরিক অমা অমসুং ফাগী পুবা লাইরিক অমা ইরমখি। ইরমদম খোর্জে অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্টসু ওইরন্বা মাইবম নবাকিশ্বরনা লৈখিদবদা লুপ অসিনসু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**ধনকর ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-চাউখৎলবা ভারত অমা ওইবা হায়বসি শিংনবা কয়া মায়োকরবা মতুংদা ফংগদবা পন্থুং অমনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি অয়ুক দিবলপ ইন্দিয়া ২০৪৭-ভিজন ওফ ন্যু ইন্দিয়া থ্রি পোইন্ট জিরোগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী ধনকরনা হায়-ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দ, ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমগী মতেংগা লোয়ননা ভারতকী শেল থুম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপগী থবক কন্না চত্থরি। ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দনা ভারত অসি শেল থাদবগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা অমদি চুনবা মফমনি হায়না ফোংদোকখিবসু লৈরে হায়না উপ রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখি। মীয়ামনা মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অদুদা ফংবা পোৎলমশিং রিছোর্স ওইনা শিজিন্নদুনা ভোকেল ফোর লোকেলবু হেন্না থবক্তা ওন্থোকবা উপ রাস্ত্রপতিনা তকশিনখি।

**ইম্ম্যুনাইজেসন ঃ** সরকারনা হায়রি-য়ুনিভরসিএল ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামগী মখাদা বিনিফিসরি কোতি তরেৎ লাখ ৪৩ রোম রেজিস্তার তৌরকখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা মীরোনবী নুপী অমসুং চহি ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা পুন্সি মাঙনিংঙাই ওইবা লায়নাশিংদগী কন্নবা ভেক্সিন মখল ১২ কাপলি।

লোক সভা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী রাজ্য মন্ত্রি-অনু প্রিয়া পতেলনা হায়-হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন কাপ্পগী সেসন কোতি অমা লাখ ২৬ পাঙথোকখ্রে অমসুং ভেক্সিন দোজ কোতি ২৭ লাখ ৭৭ কাপখ্রে।

**আষ্টলক্সমি ঃ** কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রি জ্যোতির অদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- মথং থাগী ৬ তগী ৮ ফাওবা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা অষ্টালক্সমি মহোৎসব পাঙথোক্লগনি। মহোৎসব অসিনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য ৭ কী কলা সংস্কৃতি, মহৌশাগী অমসুং খুৎ শা হৈবগী পোত্থোকশিং উথোক্কনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাডগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা রাজ্যশিং অসিগী মরক্তা কলা সংস্কৃতি অমসুং শেনমিৎলোনগী মরক্তা খেন্নবা লৈরিবা অসি মেনশিন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**এক্সরসাইজ ঃ** ইন্দিয়ান আমর্দ ফোর্সেস অমসুং সিঙ্গাপুর আমর্দ ফোর্সেসনা পুন্না চথখিবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অগা ৱারিয়ার-২০২৪ ঙসি মহারাস্ত্রগী দিবালিদা লোয়শিনখ্রে।

১৩ শুবা এদিসন ওইনা হৌখিবা থা অসিগী ২৮ দগী চথরকখিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদুদা সিঙ্গাপুর আরটিলারিদগী পার্সোনেল ১৮২ অমসুং ইন্দিয়ান আর্মিগী রেজিমেন্ট ওফ আরটিলারিদগী পার্সোনেল ১১৪ না শরুক য়াখি। মিলিটরি এক্সরসাইজ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, য়ু.এন.চাট্টরগী মখাদা লৈবাক ময়াম পুনশিনদুনা লান্থেংমীন্নবগী তঙাইফদবা লাকপা মতমদা আরটিলারি পার্সোনেলশিংনা পুন্না মথৌ তৌবদা হেন্না ৱাখল তামীন্ননবনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাড, ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাদগী--**

**বেদমিন্টনঃ** সয়িদ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ভারতকী সট্টলর-পি.ভি. শিন্ধু নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল চংলে।

ভারতকী জরা ত্রেসা দোলি অমসুং গাইত্রি গোপিচান পুলেলানু নুপীগী দবলস ফাইনেল চংলে।

**গেমস (এল)ঃ** গুজরাতকী রাজকোটতা চথরিবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস মণিপুরনা সনাগী তকমান ২৬, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৬ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি। মহরাষ্ট্রসনা সনাগী তকমান ৬৮ য়াওনা পুন্না তকমান

১৯৬ অমসুং হরিয়ানানা সনাগী তকমান ৫১ য়াওনা পুন্না তকমান ১১৮ ফংদুনা অহানবা অমসুং অনিসুবা মফমদা লৈরি।

**সন্তোসঃ** ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিগী গ্রুপ (বি) গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিল্লিনা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা উত্তরখান্দনা চান্দিগরবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ফাইনেল রাউন্দগী মেটচ দিসেম্বর ৫ দগী শান্নবা হৌরগনি।

**তেলঙ্গানাঃ** তেলঙ্গানাগী সিকন্দরবার্গতা চত্থরিবা ১৪ শুবা হোকি ইন্দিয়া সব জ্নিয়ার ৱিমেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপকী গ্রুপ (এ) গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হরিয়ানানা মনিপুরবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মনিপুরগী মথংগী মেটচ দিসেম্বর অনিদা দদ্রা এন্দ নাগর হবেলি এন্দ দমন এন্দ দিয়ুগা শান্নগনি।